# লদাখকী কার্গিল, দ্রাস, সাঙ্কুদা মীয়াম পূনবা থিংখ্রে




***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদু লৌথোখিবগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুগী মতুংদা কাস্মির তম্পাক্তা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা লদাখকী কার্গিল, দ্রাস অমসুং সাঙ্কুদসু মীফমনচিংবা মীয়াম পূনবা থিংখ্রে।

সিআর পি সিগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থম্লদুনা কার্গিল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমদা মী ৪ নৎত্রগা ৪দগী হেন্না পূনবশিং চৈরাক ফংনিঙাই ওই হায়খি।

অথিংবশিং অদু ঙসি শগোলশেলগী অয়ুক পূং ৫দগী চৎনবা হৌখি অমসুং মখা তাবা নোটিশ থোক্লিবা ফাওবা চৎনগনি হায়না চেরোল অদুনা হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা লমদম অদুদা লৈরিবা মহৈশঙ পূন্নমকসু থোঙ লোন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

মসিগী মমাঙদা চয়োল অসিদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীবা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০গী প্রোভিজন খরা ককথৎনবা সেন্টরগী ৱারেপ অদু পার্লিয়ামেন্টতা লাওথোকখি। জম্মু এন্দ কাস্মির, অমসুং লদাখ হায়না ষ্টেট অদু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্না শেন্নগনি হায়নসু লাওথোকখি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা লমদম অদুদা লিশিং কয়া থাজিন্দুনা কাস্মির তম্পাক্তা মীয়ামগী ৱাখলদা ওমচাক্কখিবগী মতূং আর্টিকল ৩৭০ মুথৎনবগী ওর্দর অদু থোক্লকখিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিং –ওমর অবদুলা অমসুং মেহবুবা মুফতি য়াওনা লমদমদুগী শক্নাইরবা লূচিংবা কয়া হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি।

ষ্টেট অদুদা ইন্টরনেট অমসুং ফো সার্ভিসশিং ককথৎখি অমসুং স্কুলশিং অমসুং ওফিসশিং থোঙ লিনশিন্নবা ওর্দর তৌখি।

# আর্টিকল ৩৭০গী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা থাংগৎলকখিবা ৱাকৎ অর্জেন্ট হিয়ারিং তৌবীয়ু হায়বা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** জম্মু এন্দ কাস্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা প্রসিদেন্সিয়েল ওর্দর শীংনরকখিবা ৱাকৎ অমা অর্জেন্ট হিয়ারিং তৌবীয়ু হায়বা ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি য়াখিদ্রে।

হিরম অদু জষ্টিস এন ভি রামানানা লূচিংবা বেঞ্চ অমদা অর্জেন্ট লিষ্টিংগীদমক য়াওখি অমসুং ৱাকৎ অদু মতম চানা হিয়ারিং তৌগনি হায়না কোর্ট অদুনা হায়খি।


ৱাকৎ অদু থাংগৎলকখিবা এদভোকেট এম এল শর্মনা মহাক্কী ৱাকৎ অদু আগষ্ট ১২ নৎত্রগা ১৩দা হিয়ারিং তৌনবা লিষ্টা হাপীয়ু হায়না বেঞ্চ অদুদা তকশিনখি। মদুদা বেঞ্চনা নহাক্কী পেটিসনদা অশোয়বশিং অদু চুমথোক্লব্রা হংখি। ৱাহং অদুগী পাউখুমদা মিষ্টর শর্মনা ওবজেক্সনশিং অদু চুমথোক্লে অমসুং মহাক্কী পেটিসন অদু রিজিষ্ট্রিনা মশীং চনশিনখ্রে হায়খি।

পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা থোকখিবা প্রসিদেন্সিয়েল ওর্দর অদুগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ৱাকৎলগনি হায়খ্রে হায়রদুনা পেটিসনর অদুনা হিরম অদু হিয়ারিংগী লিষ্টতা হাপ্পীনবা কোর্টতা হায়জরকখিবদা – 'মখোয়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা চৎলবদি য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট অদু য়ু এননা ষ্টে তৌবা ঙমগদ্রা হায়না সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চঅদুনা এদভোকেট এম এল শর্মদা হংখি।

এদভোকেট মিষ্টর শর্মনা মাগী ৱাকৎতা জম্মু এন্দ কাস্মির এসেমব্লিগী অয়াবা য়াওদনা ওর্দর অদু পাস তৌখিবা মরমনা আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা থোক্লিবা প্রসিদেন্সিয়েল ওর্দর অদু আইননা য়াদে হায়খি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীখিবা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০গী প্রোভিজনশিং অদু মুখৎলে হায়না প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা লাওথোকখিবনি।

# পাক ক্রুনা মখা তানা চৎলু য়াদবদগী সমজৌতা এক্সপ্রেস ৱাগাহদা লেপখ্রে, ইন্দিয়াগী কাঙবুনা ট্রেন অদু অত্তারি ফাওবা থৌরকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা লমন খুন্নগী খোঙথাং ওইনা ইস্লামাবাদনা সমজৌতা এক্সপ্রেস ট্রেন সার্ভিস অদু থিংজিল্লে হায়না লাওথোকখিবগা পাকিষ্টানগী লাহোরদগী লাকখিবা সমজৌতা এক্সপ্রেসকী পেসেঞ্জরশিং ঙসি ৱাগাহ বোর্দরদা পূং ৩ লোম পন্দুনা লৈবা তাখ্রে।

ঙসি সগোলশেল নুমিৎতা পাউগী মীফম অমদা পাকিষ্টানগী রেলৱেজ মিনিষ্টর শৈখ রসিদনা সমজৌতা এক্সপ্রেস অদু ঐখোয়না থিংজিন্নবা ৱরেপ লৌরে হায়খি।

ঐনা রেলৱেজ মিনিষ্টর ওইরিবা মখৈ সমজৌতা এক্সপ্রেস ওপরেট তৌবা য়ারোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসি নুংথিল পূং ১দা ট্রেন অদুনা ৱাগাহদা থুংলখিবদা ট্রেন অদু থৌরকখিবা পাকিষ্টানগী ক্রু অদুনা লেপখি অমসুং মখা তানা ট্রেন অদু থৌ হায়বা য়াখিদ্রে। মখোয়না ট্রেন অদু থৌনবা ইন্দিয়ান ক্রু মফম অদুদা লাক্কবা অমসুং মদু ইন্দিয়াগী টেরিটোরি লানশিন্নবা হায়খি।

পূং ৩ লোমগী তুংদা ইন্দিয়াগী টিম লাক্কুনা থবক অদু পায়বা হৌখি অমসুং অত্তারি তন্না ট্রেন অদু থৌবা হৌরকখি।

রেলৱেজনা সমজৌতা এক্সপ্রেস সার্ভিস তোক্লে হায়বা য়াখিদে। ৱাগাহদা থোকখিবা ঙসিগী থৌদোক অদুগী মতাংদা রেলৱেজগী ৱাঙাংলোই অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপদা, ঙসি পাকিষ্টানি ওথোরিটিজনা ট্রেন অদুগী ক্রু অমসুং গার্দকী সেক্যুরিটিগী ৱাফম পুখৎলকখি। মদুদা ঐখোয়না মফম অসিদা লৈরিবা ফিভম মপূং ফানা ফৈ হায়না খঙহনখি। ঐখোয়না ঐখোয়গী গার্দশিং অমসুং ইঞ্জিন মফম অদুদা থারক্কনি হায়না মখোয়দা খঙহনখ্রে হায়খি।

ঙরাং পাকিষ্টাননা ইস্লামাবাদতা লৈবা ইন্দিয়াগী এনভোই তাহোল্লকখি অমসুং লল্লোন–ইতিক্কী মরী, ইন্দিয়াগা লৈনবা অতৈ মরীশিং ককথবা য়াওনা পোইন্ট ৫গী প্লান অমা ইস্লামাবাদনা লাওথোকখি।

ঙসি ন্যু দিল্লিনা পাকিষ্টানদা মখোয়গী ৱারেপ অদু রিভ্যু তৌনবা আপিল তৌখ্রে।

# অসামগী এন আর সি শোয়দনমক আগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনূংদা ফোঙনবা সুপ্রিম কোর্টনা অমুক্কা হন্না চেৎনা খঙহনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** আইন্না য়াদবা ইমিগ্রেন্টশিং মশক খঙদোক্লবা পান্দম থল্লিবা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)গী অরোইবা লিষ্ট অদু শুকশোই শোয়দনমক আগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনূংদা ফোঙনবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি অসাম ওথোরিটিজদা অমুক্কা হন্না চেৎনা খঙহনখ্রে।

সেক্সন কয়াদগী অয়েৎপা ফনা পীরক্লবসু থবক অদু শোয়দনমক লোইশিনগদবনি। অয়ুক খুদিংগী ঐখোয়গী জজমেন্টকী ক্রিটিসিজম লোয়বা লৈরোই। ঐখোয়গী ওর্দরস, এক্সনস অমসুং জজমেন্টশিং মতম খুদিংমক্তা দিবেট তৌনগনি। মদুদা ঐখোয় য়াদুনা লৈবা ঙম্লোই। মখোয়না অপাম্বদু তৌজসনু অদুবু আগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনূংদা এন আর সি লোইশিনবদু ঐখোয়না পাম্মি হায়না চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা হায়খি।

য়েৎননিঙাই ওইবা হিরমশিংগী মতাংদা ৱারোল অমা থগৎলক্লবসু অমসুং মদুগী মতাংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওর্দর থোকপা য়ানবা এন আর সি কো–ওর্দিনেটর অদুদা কোর্ট অসিনা খঙহনখি।

এন আর সি ওথোরিটিজনা চত্থবা চিংননিঙাই ওইবা অমসুং ফৎতবা থৌরাং মানবা রিভেরিফিকেসনগী নোটিসশিং থোক্লুনা মীপাইনিঙাই ওইবা ফিভম অদুগী মতাংদা চীফ জষ্টিস গোগোইদা খঙহল্লদুনা সিভিল সোসাইটি গ্রূপশিংগী মেম্বরশিং অমসুং ওপোজিসন কোংগ্রেসনা চেইরকখ্রে।

হৌখিবা চহীদা ফোঙখিবা দ্রাফট এন আর সিদা য়াওরবা মীওইশিংগী মনূংদগী মীওই খরা ওথোরিটিজনা অমুক হন্না ভেরিফিকেসন তৌনবগী থবক লৌখৎখি।

মসিদা মীওই কয়ানা মখোয়গী ময়ুমদগী কিলোমিটর ৫০০ হেন্না লাপ্পা মফমদা লৈবা এন আর সি সেবা কেন্দ্রদা রিভেরিফিকেসনগীদমক লাক্লবা সুপ্নগী পূং ২৪দগী পূং ৪৮ ফাওবগী অতেনবা মতম পী হায়না ৱাকৎনরকখি।

অসিগুম্বা অনৌবা ওর্দরশিং অসিনা মীয়ামদা মীপাইনহনখি অমসুং জোরহাত, চরাইদিও, সিবসাগর অমসুং গোলাঘাটনচিংবা অরাপ্পা টাউনশিং য়ৌনবা মীয়ান্না বসশিংদা তোঙখৎনখি অমসুং গাড়ী ৱাইরগা চৎনখি। রিভেরিফিকেসনগী মফমশিং অদু য়ৌনবা পাখৎতুনা চৎনবদা লম্বীদা এক্সিদেন্টশিং থোক্কুনা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং ৪০ হেন্না শোকখ্রে।

নৌনা থোক্লিবা রি ভেরিফিকেসন ওর্দরশিং অসি সুপ্রিম কোর্ট ওর্দরস থুগাইবনি হায়না সোসিয়েল এক্টিভিষ্টশিংনা হায়রি।

এন আর সি ফোঙনবগী অরোইবা মতম জুলাই ৩১দা ওইবদগী সুপ্রিম কোর্টনা আগষ্ট ৩১ ফাওবা অমুক শাংদোকহনখিবনি।

# প্রনাব মুখর্জী, ভুপেন হজারিকা, নানাজি দেশমুখতা ভারত রত্ন পীখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী, অসামিজ সিঙ্গর–কম্পোজর ভুপেন হজারিকা অমসুং সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট নানাজি দেশমুখতা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ ভারত রত্ন পীখ্রে।

ভুপেন হজারিকা অমসুং নানাজি দেশমুখতু মশা লৈখিদ্রবা তূংদা ঈকাই খুন্নগদবনি। রষ্ট্রপতি ভবননা জনৱারি ২৫দা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ভারত রত্ন পীনবগী ৱারোল লাওথোকখিবনি। ঙসি নুমিদাংৱাইরম রষ্ট্রপতি ভবনদা পাংথোকপা চিংলম্লেবা থৌরম অমদা হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা মহাক্কী মহুৎ শিলহৌবা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দদগী লেমজনিঙাই ওইবরবা এৱার্দর অদু লৌখি।

প্রনাব মুখর্জীগী পোলিটিকেলগী পূন্সি চহী ৫০ রোমনি। কোংগ্রেসতা মরুওইবা ফমশিং পায়রমখি। ইন্দিরা গান্ধী, রজিব গান্ধী, পি ভি নরসিমহ রাও অমসুং মনমোহন সিংহনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টশিংদা ফমশিং পায়রমখি।

মশাগী চহী ৮৩ শুরবা লূচিংবা অসিনা ২০১২ অমসুং ২০১৭দা ইন্দিয়াগী ১৩ শুবা প্রসিদেন্ট ওইখি।

অসামিজ সিঙ্গর ভুপেন হজারিকা অসি বেঙ্গল অমসুং বাংলাদেসতা মীয়ান্না খ্বাইদগী পান্নবা শৈশকপা অমনি। অসামগী কল্চর অমসুং ফোক ম্যুজিক অমসুং অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াবু হিন্দি সিনিমাদা মশক খঙহনবদা মহাক্না মরুওইবা থৌদাং লৌখি। নেসনেল ফিল্ম এৱার্দ, পদ্মশ্রী, দাদা সাহেব ফালকে এৱার্দ, পদ্মবিভুষন অমসুং অতৈ লেমজনিঙাই ওইবা মনা কয়া ফংখ্রে।

নানাজি দেশমুখ মহারাষ্ট্রগী হিঙ্গোলি কৌবা অপিকপা টাউন অমদা পোকিখি। লোক সভাদা ১৯৭৭দগী ১৯৭৯ ফাওবা য়ু পিগী বলরামপুর মীহুৎ ওইখ্রে। রাজ্য সভাদা ১৯৯৯দগী ২০০৫ ফাওবা নোমিনেটেদ মেম্বর ওইখি। ভারতিয়া জন সঙ্ঘগী ফাউন্দর মেম্বরশিংগী মনূংদগী অমনি।

# ন্যু দিল্লিনা লৌখৎলিবা থবক অমুক খন্থগে য়ারবদি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লৌরিবা ৱারেপ রিভ্যু তৌগনি ঃ পাকিষ্টান



***ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** করিগুম্বা ন্যু দিল্লিনা কাস্মিরগী মতাংদা মখোয়না লৌখৎলিবা থবকশিং অদু অমুক হন্না খন্থনবা য়ারবদি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা পাকিষ্টানা লৌরিবা ৱারেপ রিভ্যু তৌনবা লৈবাক অসিনা থৌরাং তৌরি হায়না ফোরেন মিনিষ্টার শাহ মহমুদ কুরেসিনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি পাকিষ্টাননা ইন্দিয়গা লৈনবা দিপ্লোমেটকী মরী থাক হন্থনবা লেপখিবা ৱারেপকী শরুক ওইনা ইন্দিয়ান হায়–কমিস্নরবু তাহোলকখিবা নোংমগী মতূংদগী ফোঙদোকখিবনি। ইন্দিয়াগা তৌনবা বাই–লেটরেল এগ্রীমেন্ট পূন্নমকসু মখোয়না রিভ্যু তৌরগনি হায়ন পাকিষ্টাননা লাওথোকখি।

মখোয়না মখোয়গী ৱারেপশিং অদু রিভ্যু তৌনবা থৌরাং তৌরব্রা? করিগুম্বা মখোয়না মদু তৌরবদি ঐখোয়নসু ঐখোয়গী ৱারেপশিং রিভ্যু তৌবা য়াই।

নাকন অনীমক্তা রিভ্যু তৌনগদবনি। মসিনি শিম্লা এগ্রীমেন্ট অদুনা হায়রিবদু হায়না কুরেসিনা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা ইন্দিয়াগা তৌনবা সমজৌতা এক্সপ্রেস ট্রেন সার্ভিস অদু লেপ্লে হায়না পাকিষ্টান রেলৱেজ মিনিষ্টরনা লাওথোকখি।

নাকন অমরোমদা ওপোজিসন পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ–নৱাজ (পি এম এল–এন) সিনেটর মুসাহিদুল্লাহ খান অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী ফেদরেল মিনিষ্টর ফৱাদ চৌধ্রিগা পার্লিয়ামেন্টতা অমগা–অমগা অৱাই–অখুম তৌনদুনা চৈনরকপদগী পার্লিয়ামেন্টকী জোইন্ট সেসন অদু চাইনপুং অমা ওন্থোকখ্রে।

নেসনেল এসেমব্লি স্পিকর আসম কাইজরগা লোয়ননা প্রোসিদিংশিং অদু প্রিসাইদ তৌরিবা সিনেট চিয়ারমেন সাদীক সঞ্জরানিনা খৎনরিবা মেম্বর অনী অদু খামদোক্লবা হোৎনখি। লোমেকর অনীনা শিজিন্নখিবা নন–পার্লিয়ামেন্টরি ওইবা ৱাহৈশিং লৌথোক্লবা ওর্দর তৌখি হায়না দা এক্সপ্রেস ট্রিবুনগী পাউনা হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টকী জোইন্ট সেসন অদু জম্মু এন্দ কাস্মিরদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীরিবা ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুথৎখিবা অদু খন্ননবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী ফম্বা হৌখিবনি।

হৌজিক পাকিষ্টানগা ইন্দিয়াগগী মরক্তা লৈনবা মরী ফিভম কায়থরক্লবসু হান্ননা থৌরাং তৌখিবগী মতূং ইন্না করতারপুর কোরিদর শেম্বগী থবক্তি মখা চত্থগনি হায়না পাকিষ্টাননা ফোঙদোকখ্রে।

করটারপুর কোরিদর লম্বী শেম্বগী থবক মখা চত্থনবগী ৱাফম অদু পাকিষ্টান ফোরেন ওফিসনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা লাওথোকখিবনি।

# চিনানা অনফিয়ার ট্রেদ দিলশিংনা ঐখোয়বু হাৎলি ঃ ট্রম্প



***ৱাসিংটন, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** য়ু এসতা আই–ফোনশিংদগী হৌরগা মিলিটরি ইক্যুপমেন্ট ফাওবগী পোৎলম খুদিংমক্তা শিজিন্নরিবা রিয়ার আর্থ হায়না খঙনরিবা কেমিকেলশিং য়োনবা থিংজিন্দুনা চিনানা খূৎ হল্লক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরকখ্রবা ফাওবদসু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চিনাগী ইকোনোমি অমসুং ট্রেদ পোলিসিশিংগী মথক্তা চত্থরিবা মহাক্কী অকনবা ফিরেপ অদুনা অমেরিকান ইকোনোমিদা কান্নহল্লগনি হায়খ্রে।

১৯৮৪গী মতূংদা অহানবা ওইনা ৱাসিংটননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বৈজিংবু করেন্সি মেনিপুলেটরনি হায়না মরান শীখিবা অমসুং সেপ্টেম্বর ১দগী হৌনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩০০গী চাইনিজ ইমপোর্টশিংদা চাদা ১০গী তারিফ লৌরগনি হায়খিবা অদুগী মতূং হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিদা য়ু এসকা চিনাগা অনীগী লল্লোন–ইতিক্কী লান য়ান্না কনখৎলকখি।

চিনানা লল্লোন–ইতিক তৌবা লেপখিবা অসি অমেরিকান ফার্মরশিংদা অৱাবা অমা মায়োক্লগনি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌনা চিনানা য়ু এস ফার্মগী পোথোকশিং লৈবা লেপখ্রে।

হান্ননা থল্লিবা টারিফশিং অদুনা অমেরিকান ইমূং অয়াম্ববু দোল্লর ১,০০০গী মমল হেনগৎহনখ্রে। হেনগৎলিবা মমলশিং অসিনা য়ু এস কম্পেনিশিংবু লৈবাক মনূংদা অমসুং মপান লৈবাক্তা অতোপ্পগা কম্পিপিসন তৌনবা হন্থহনখ্রে হায়না ফেদরেল রিজার্ভ অমসুং অতৈনা ফোঙদোক্লি।

য়ু এস ব্যুজিনেসশিং অমসুং কঞ্জুমরশিংনা জুন থাদা টারিফশিংদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬ পীখি। মসি চহী অমগী মমাঙদা চপ মান্নবা মতমদা পীবা অদুদগী চাদা ৭৪ ৱাংখৎলবনি হায়না য়ু এস ট্রেদ গ্রূপশিংগী কোলিসন অমনা ঙরাং হায়খি অমসুং অনৌবা রাউনগী টারিফশিংনা থবক ফংদবা হেনগৎহল্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

# উংখৎনরবসু ইন্দিয়া, পাকিষ্টান এস সি ও ৱারগেমসতা শরুক য়াগদৌরি



***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী লোন্নবা ঙমখৈ 'লাইন ওফ কন্ট্রোল' পরিংদা অমগা অমগা মুক্কদুনা লৈরিবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী লান্মীশিংনা শংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও)গী থৌশিল মখাদা মথঙ থাদা রসিয়াদা পাংথোক্কদৌরিবা লৈবাক কয়ামরুমগী কাউন্টর–টেরর ৱারগেমদা পূন্না শরুক য়ামিন্নগদৌরি।

চিনা, রসিয়া অমসুং অতৈ এস সি ও লৈবাকশিংগী লান্মীশিং শরুক য়াগদৌরিবা ৱার এক্সরসাইজ অদু রসিয়াগী ওরেনবর্গতা সেপ্টেম্বর ১০দগী ২২ ফাওবা পাংথোক্কনি।

রসিয়া, চিনা, কাজখষ্টান, কিরজিষ্টান অমসুং টাজিকিষ্টাননা ২০০১দা শেমখিবা এস সি ওদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান অনীমকসু ২০১৭দা ফুল মেম্বর ওইখ্রে।

ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, উজবেকিষ্টান য়াওনা হৌজিক গ্রূপিং অসিগী ফুল মেম্বর ৮ লৈ। ৱারগেম অদুদা ইরান, মোঙ্গোলিয়া, বেলারস অমসুং টরকমেনিষ্টানসু শরুক য়াগনি।

ৱারগেম অদুদা ইন্দিয়ানা লান্মী ১৪০ থাদুনা শরুক য়াগনি ৱারগেম অদুগী মরুওইবা পান্দমদি ইন্টরনেসনেল টেরোরিজম থেংনবদা ফোর্সশিং শিজিন্নবা অমসুং ময়াই থংবা এসিয়াগী লমদমদা মিলিটরি সেক্যুরিটি পীনবগীনি হায়না আর্মি ওফিসার অমনা হায়খি।

# 'জৈশ'না মুম্বাই, ন্যু দিল্লি, জে এন্দ কেদা এটেক তৌরকপা য়াই ঃ ইন্টিল্লিজেন্স

***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** মৌলানা ইব্রাহিমনা লূচিংবা জৈশ–ই–মোহম্মেদ সেলনা টেরর এটেক তৌরকপা য়াবগী মতাংদা ইন্টিল্লিজেন্সনা চেকশিন্না লৈনবা খঙহল্লকপদগী মুম্বাই অমসুং দিল্লিদা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা অকনবা থবক লৌখৎখ্রে।

টেরর এটেক অদু লাক্লিবা আগষ্ট ১৫ ইন্দিপেন্দেন্স দেগা মতম ফাংননা চত্থরকপা য়াই হায়খি।

ইন্টিল্লিজেন্সকী পাউ অদু হৌখিবা চয়োলদা ফংখিবনি অমসুং পাউ অদু হেক ফংবগা দিল্লি অমসুং মুম্বাইদা এন্টি–টেরর য়ুনিটশিংদা পাউ পীরক্তুনা খঙহনখি অমসুং সেক্যুরিটি চেকশিন থৌরাং হেন্না কনখৎনবা হায়রকখি।

পাউ অসি ফংবদগী দিল্লি অমসুং মুম্বাইদতা নত্তনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা লৈবা সেক্যুরিটি ইষ্টাব্লিসমেন্টসু সেক্যুরিটি কনখৎখ্রে।

মৌলানা ইব্রাহিম হায়রিবসি জৈশ–ই–মোহম্মেদ চীফ মাসুদ অঝারগী মনাওনুপানি। মহাক্কী মচানুপা অমসুং স্নাইপর উস্মান হৌখিবা ওক্টোবরদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা আর্মিনা হাৎখ্রে।

লিখুলশিংগী মূং ইন্না মচানুপা হাৎখিবগী লমন খুন্নবগী ৱাশক্লিবা ইব্রাহিম অসি জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামাদা চত্থখিবা টেরর এটেক অদুদসু মরুওইবা থৌদাং অমা লৌখিবা মীওইনি হায়রি।

নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা পীরম্বা স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা অমসুং ষ্টেট অদুবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ ওইনা মচেৎ তানা থুগাইখিবগী খোঙথাং অদুগী মতূংদা কাস্মির ফ্রন্টতা মশক থোকপা থবক উৎনবা পাক আর্মি অমসুং আই এস আই (ইন্টর –সার্ভিসেস ইন্টিল্লিজেন্স) কম্বাইনগী মথক্তা শাফুনা নম্বরক্লিঙৈ তাঙ্কক্তা ৱার এক্সরসাইজ অসি পাংথোক্কদৌরিবনি।

পাক আর্মি অমসুং আই এস আইনা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা সিজ ফয়ার থুগাইবা হেনগৎলকপা য়াই লোয়ননা আগষ্ট ১৫দা তারিবা ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম থুগাইনবা থৌরম অসিগী মতম নকশিল্লকপদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা অচৌবা টেরর এটেক অমা চত্থনবা ইনশিল্লকপা অমসুং পূক্লিং থৌগৎলকপা য়াই হায়না ইন্দিয়ান সেক্যুরিটি ইষ্টাব্লিসমেন্টনা খল্লি।

# পাকিষ্টান এয়ারস্পেস কোরিদর অমা থিংজিনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সি)ঃ*** ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা অমসুং ষ্টেট অদুবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ ওন্থোকখিবা অদুগী মতূংদা পাকিষ্টাননা মখোয়গী এয়ারস্পেসকী কোরিদর অমা থিংজিনখ্রে।

মদুনা মরম ওইরদুনা হৌজিক ইন্দিয়াগী ওভরসিজ ফ্লাইটশিং মিনিট ১২গী পাইনবগী মতম হেন্না চংহল্লগনি হায়না ঙরাং এয়ার ইন্দিয়া ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।এয়ার ইন্দিয়ানা য়ু এস, য়ুরোপ অমসুং মিদ্দল ইষ্টতা পাকিষ্টানি এয়ারস্পেস ফাওদুনা নুমিৎ খুদিংগী ফ্লাইট ৫০ রোম পাইরিবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-207**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 6 | | 7 | | | 3 |
| 8 | | | | 5 | | 2 | | 9 |
| | 3 | | 2 | 9 | | | 5 | |
| 5 | 9 | | 8 | | | | | 7 |
| 6 | | 3 | 9 | | | | | 2 |
| | 2 | 7 | | 3 | | 5 | | |
| | | 5 | | | 9 | | 2 | |
| | 7 | | | 2 | | 9 | | |
| 9 | | | | | 4 | | 3 | |

**সনা–সুদোকু – ২০৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | 6 | 9 | 5 | 2 | 1 | 7 | 4 |
| 5 | 2 | 7 | 3 | 1 | 4 | 9 | 8 | 6 |
| 1 | 9 | 4 | 7 | 8 | 6 | 2 | 5 | 3 |
| 2 | 6 | 8 | 1 | 4 | 9 | 7 | 3 | 5 |
| 9 | 7 | 5 | 6 | 2 | 3 | 4 | 1 | 8 |
| 4 | 1 | 3 | 8 | 7 | 5 | 6 | 9 | 2 |
| 8 | 3 | 9 | 4 | 6 | 1 | 5 | 2 | 7 |
| 6 | 5 | 1 | 2 | 3 | 7 | 8 | 4 | 9 |
| 7 | 4 | 2 | 5 | 9 | 8 | 3 | 6 | 1 |